**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-08-2025)**

**স্পিকর (এল) ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতনা হায়রি-রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শোয়দনা লাক্লগনি। অদুবু চপ চাবা মতমদি হায়বা ঙমদ্রি। মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারগা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শান্নরিবা অসিগী য়েংলগা ফ্রি মুভমেন্ট অথুবা মতমদা য়ারবা য়াই হায়না খল্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ভৈগ্যাবতি লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপা ইন্দো-বরমা স্পোর্টস এসোসিয়েসন-শিংজমৈ য়ুমাম লৈকাইগী প্লেয়ারশিংদা ফিরোলশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা রাজ্য অসিদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা লাক্লগনি হায়নরিবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পারদুনা শ্রী সৈত্যবরতনা হায়-মনিপুরদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শেন্বা হায়বসি রাজ্য অসিগী মীয়াম অমসুং রাজনিতি তৌরিবশিংগীসু অপাম্বনি। মীয়ামনা মথং থাদা লৈঙাক শেম্বা য়াই হায়না ঙাংনরিবা অসি অধ্যক্ষগী খুৎতা লৈবা নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা পোপুলর গভরমেন্ট অসি শেম্বগী চপ চাবা মতম হায়বা ঙমদে।

**গভনর (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-সেনাপতি ব্রান্সতা এম্ব্যুলেন্স অমা দান তৌখ্রে। রাজ ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী মীহুৎশিংদা এম্ব্যুলেন্স অদু খুৎশিন্নখিবনি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা হকশেলগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা রাজ্যপালনা সভাপতি ওইদুনা রাজ ভবনদা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম

অদুদা ষ্টেট হেলথ মীসন সোসাইতিগী মীহুৎ কাংবুনা প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা, চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং অমসুং মনিপুর হেলথ সার্ভির্সেসকী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম থমখি। মীফম অদুদা মরুওইনা খন্নখিবশিংগী মনুংদা সমাজ অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা মগুন লৈবা অনা লায়েংগী থবক থৌরমশিং শেল ইচং চংদনা ফংহন্নবগী মতাংদনি। মীফম অদুদা রাজ্যপালনা মগুন লৈবা হকশেলগী থবক থৌরমশিং মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা অমদি স্কিমশিং নীংথিনা চৎনহন্নবা থবক লৌখৎনবা পাউতাক পীখি। মীফম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফাইনান্স) ভিবেক কুমার দিৱাংগন, গভনরগী সেক্রেটরি-সুমন্ত সিংহ অমসুং হকশেল বিভাগকী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**বিষ্ণুপুর (এল) ঃ** বিষ্ণুপুরগী দিপ্যুতি কন্মিস্নার অমসুং মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন, দিষ্ট্রিক্ট মীসন দাইরেক্তর-বিষ্ণুপুর পুজা এলাংবমনা ঙসি মঙাললৈবী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ তরাদা চেক মনা খুৎশিন্নখ্রে।

জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা পুন্না লুপা লাখ ১৫ গী শেনফম খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কন্মিস্নারনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা পীথরিবা শেনফমশিং অসি নিয়ম চুমা অমদি হৈ-শিংনা শিজিন্ননবা হায়খি। মহাকা হায়-জিলা অসিদা লৈরিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী মতেং পাংগনি।

**য়ুপিএফ (এল)ঃ** পিপল য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিভরটিজ (পি.য়ু.সি.এল) না রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিগী মরি লৈননা ফোংলকখিবা রিপোর্ট অদু য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দ লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা

য়ু.পি.এফকী ২৭ শুবা মপোক নুমিৎ পালন থৌরমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা হায়-পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অসি মীতৈশিংবু অতমনা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপনি।

মহাকা হায়-য়ু.পি.এফনা ঙসি ফাওবদা মনিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম কন্নবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ইং তপ্পা, নুংশি চান্ননা ফুরুপ কয়ানা হিংমিন্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। মসি মখা তানসু পায়খৎখিগনি।

**ক্লাইমেট (এল)ঃ** ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্টিং ইন মনিপুরগী তরুকশুবা মেদিয়া ফেলোসিপ প্রোগ্রাম (২০২৫-২৬) কী অনিরকশুবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ইমপেক্ট ওফ ক্লাইমেট চেঞ্জ ওন ৱাটর হায়বা হীরমদা ডা: বিনোতা থোকচোমনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, ৱেটলেন্দ ইকো সিষ্টেমগী অইং-আশাগী খলগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্দুনা মেদিয়াগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা মোত ফোংদোকবা অমসুং কেপাসিতি বিল্ডিং হেনগৎহনবা হায়বসিনি।

অমরোমদা, মালেমগী অইং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিনা মরম ওইদ্না অফবা ঈশিং নীংথিনা ফংদবগী অৱাবা মীয়ামা মায়োকরি। মনিপুরদসু উমং-ৱামং পাক্তকনা কোকথোকপা, অমোৎ-অকায় নীংথিনা লোয়শিনদবা য়াওনা হীরম খরদগী  অইং-আশাগী খল কাইরকপনা পাৎ-তুরেলনচিংবা ঈশিং তুংফমশিংগী ফিভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মফমশিং অসিদা ফংলিবা ঈশিং মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লি।

**কংগ্রেস (এল) ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী মীৎয়েং মখাদা

এ.আই.সি.সিগী পাউতাক মতুং ইন্না লৈবাক শিন থুংনা পাঙথোক্লিবা কংগ্রেস দলগী ভোট চোর, গদি ছোর হায়বা ৱাখল্লোনদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) না শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী মীফম অমা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়-খোঙথাং অসি লৈবাক অসিগী সংবিধান অমসুং গনতন্ত্রগী মচৎ অদু কন্নবা অমসুং ঙাক্তুনা থমবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমনি। থৌরম অসি লৈবাক শিনবা থুংনা এ.আই.সি.সিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা নুমিৎশিংদা পাঙথোকরি।

মাফম অদুদা দলগী  লুচিংবশিং অমসুং কর্মিশিং শরুক য়াখি।

**সেনা (এল) ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসি য়ামা সেন্সিটিব ওইবা ইশু অমনি।

বাবুপারা ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা সুপ্রিম কোর্টনা ফাওবা সব-কমিতি শেমদুনা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা পিপল য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিভরটিজ (পি.য়ু.সি.এল) না মীতৈশিংবু অতমনা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি য়ামা লাইবক থিবনি।

মহাকা হায়-নেসনেল হায়ৱেশিংদা আইননা য়াদবা মওংদা শেল খায়বনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরনা খ্বাইদগী পোৎ-চৈ তাংবা রাজ্য অমা ওইরি।

**জাদোনং (এল)ঃ** হাইপৌ জদোনং লৈখিদবগী ৯৪ শুবা কুমওন থৌরমগী মাংওইননা ঙসি তমেংলোংগী জাদোনং পার্ক অমসুং রাণি গাইদিনলিয়ু নুপী কৈথেলদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা হাইপৌ জদোনং দেদ এনিভরসরি ওর্গনাইজিং কমিতি, ভিলেজ ওথোরিতি, ত্রেদরস এসোসিয়েসন-তমেংলোং, এ.দি.সি-তমেংলোংনচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাংঙু কৈরক্তা সিল্ক কোকুন লোকপা অমসুং শেম শাবা হায়বসিগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মেরা রেসম, মেরা অভিমান কেম্পেইনগী মনুং চন্না টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী মখাদা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা সি.এস.বি. রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসননা মনিপুর সরকারগী সেরিকলচর বিভাগকা খুৎশম না শিনবনি। থৌরমদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা মতৌ করমা সিল্ক-কোকুন কমদৌনা লোক্কনি অমসুং শেম শাগনি হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**কুইজ(এল)ঃ** ইন্টেসিফাইদ আই.ই.সি. কেম্পেইন-২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা পুন্না শিনদুনা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী ওইনা স্কুল লেবেল কুইজ কম্পিটিসন ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাগী এ.এন.বি.এ. এদুকেসন ওফিসতা ঐচ.আই.ভি.-এইদস ইগাইটিং এৱারনেস এন্দিং ষ্টিকমা হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

তমেংলোং জিলাদসু জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন কন্ট্রোল য়ুনিটনা শিনদুনা ঐচ.আই.ভি-এইদস এন্দ এস.টি.আই. হায়বা হীরমদা জিলা থাক্কী কুইজ কম্পিটিসন অমা ঙসি তমেংলোংগী সি.এম.ওগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। কম্পিটিসন অদুদা জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**ধরনা (এল)ঃ** ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা তাকয়েল গভরমেন্ট পোলিটেকিক্কী মহৈরোইশিংনা ঙসি তোঙান তোঙানবা দাবী কয়া তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা পোলিটেকিক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়াওনা অতৈ অৱাৎ অপাশিং মেনশিনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুর অসি শান্ন খোৎনবগী অমসুং অথৌবশিংগী লমনি হায়না মীয়ামনা খঙনরি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী মশান্নশিংদা হৈথোই শিংথোইবা উৎলি।

মনিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙসিদগী হৌখিবা ২১ শুবা গভনরস কপ ষ্টেট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপালনা হায়-মার্সেল আর্টসকী চৎন-কাংলোনশিং অসি সমাজ অসিগী মীয়ামগী লু-তোংদা  চেন্দুনা লৈরক্লবনি। ফেন্সিং মশান্না অসি অনৌবা মতমগী ওলিম্পিক মশান্না ওইরবসু রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মার্সেল আর্টসসকা চুন্নবা মশান্না অমনি। মহাকা হায়-গভনরস কপ অসি চুমগী মেদল খক তান্নবগী নত্তে। মসিদি শান্নবগী থৌনা, নিতি-নিয়ম কায়দনা অমসুং মীওই অমগী লমচৎ শাজৎ শেমগৎনবা মশান্ননি।

**জন ধন ঃ** প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা ঙসি চহি ১১ মপুং ফারে। ইং কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্ট ১৫ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাল কিলাগী ফম্বাক্তগী লাউথোকখিবা য়োজনা অসি মালেমগী ওইনা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজনগী খ্বাইদগী চাউবা থৌরাংনি।

ইং কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্ট ২৮ দা য়োজনা অদু হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা

মদু লাইরবশিংবু অৱা-অনা মরক্তগী নিংতমহনবগী কুম্মৈনি হায়না শিংথাখি।

প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা অসি ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজনগী নেসনেল মীসন অমনি। মসিনা লৈবাক অসিগী ইমুং পুমমক্তা বেঙ্কিং সার্ভিস ফংহন্নবা অমদি মীপুম খুদিংমক শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অপুনবা খোঙজং অমা চংশিল্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা য়োজনা অসিগী মরমদা পল্লদুনা করমা স্কিম অসিনা ভারত শিন থুংবদা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা অওনবা পুরকপগে হায়বদু ফোংদোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়-পি.এম. জন ধন য়োজনা অসি দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফর শিজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা বিনিফিসরিশিংদা খ্দোংচাবা পীরিবা মরুওইবা চেন্নেল অমনি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা জন ধন একাউন্ট কোতি ৫৬ হাংদোক্কুনা লুপা কোতি লাখ অনি মখায় হেন্না দিপোজিত তৌরকখ্রে। মহাকা হায়-য়োজনা অসিগী চাদা ৬৭ কী একাউন্টদি খুঙ্গং নৎত্রগা সেমি অবার্ন এরিয়াদা হাংলি। মসিগী মনুংদা নুপীশিংনা চাদা ৫৬ একাউন্ট হাংলি।

**আধার ঃ** য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী স্কুল পুমমক্তা মশাগী চহি ৫ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং শোইদনা মতম চানা আধার মেন্দেটোরি বাইওমেত্রিক অপদেট তৌনবা খঙহনখ্রে। ৱারোল অমদা ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না হায়-য়ু.আই.দি.এ.আইগী সি.ই.ও- ভুবনেশ কুমারনসু রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্কী চীফ সেক্রেতরি পুমমক্তসু মেন্দেটোরি বাইওমেত্রিক অপদেট কেম্পশিং শিন লাংবদা মতেং পাংবীনবা ইদুনা খঙহনখ্রে।

মন্ত্রালয় অসিনা হায়-ওথোরিতি অসিনা শিক্ষা মন্ত্রালয়গসু পুনদুনা অঙাং কোতি ১৭ রোমগীদমক য়ুনিফাইদ দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেম ফোর ইজ্কেসন

প্লস প্লেটফোর্মদা পনদুনা লৈরিবা বাইওমেট্রিক অপদেটশিং তৌবা খুদোংচাহন্নবা হোৎনরি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা সেন্ত্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম (সি.আর.এস) অমসুং কম্পিটিসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (সি.এন.এস) কী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনশিংগী ওইবা নোংমগী ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ৩১ দা তেকচম প্রাইমারি স্কুল, তেকচম বজারদা পাঙথোক্কদৌরি।

**ফুটবোল ঃ** তমেংলোং ফুটবোল লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা- ডব্লিয়ু.পি.এফ.সিনা দুইথানলুং এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

হয়েং, দাইলোং ৱাই.ওগা আমানা ৱাই.সিগা লম্বা থেংনগনি। অতোপ্পা মেটচ অমদা-ফালোং ৱাই.ওগা চেংদাই নমজৱান এফ.সিগা শান্নগনি।

**সাইক্লিং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সাইক্লিং এসোসিয়েসন অমসুং য়ুথস ক্লব-ব্রহ্মপুর ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা নেসনেল স্পোর্টস ডে-২০২৫ সাইক্লিং রোড সো অমা হয়েং অয়ুক য়ুথ ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরি। মসিগী ৱাখল্লোননা 'এক ঘন্টা খেল কি মাইদান মে' হায়বসিনি।

**স্কাদঃ** মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড পেরা-এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপকীদমক মীওই ৭৩ না শাবা ভারতকী স্কাদ লাউথোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি সেপ্তেম্বর ২৭ তগী ওক্তোবর ৫ ফাওবা ন্য্য দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।